ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)

AI IMPACT SUMMIT
भारत 2026 INDIA
सर्वजन हिताय | सर्वजन सुखाय
WELFARE FOR ALL | HAPPINESS OF ALL
ফেব্রুৱারী ১৬-২০, ২০২৬ । ন্যু দেল্লী, ইন্দিয়া
মালেমগী খুদোংচাবশিং ফংহনবা এ আই ইনোভেশন মীটস
শরুক য়াহন্দুনা ৫০০+ ষ্টার্টঅপস গ্লোবেল ইনভেষ্টরশিংগা লোয়ননা, পোলিসি
মেকরশিং অমসুং এ আই পিটচফেসদা ইন্দষ্ট্রিগী লুচিংবশিং
থৌরম অসি লাইভতা য়েংউ

CBC 06124/13/0012/2526

Vol. 50, Issue No. 310 | লৈবাকপোকপা, ফাইরেনগী থাশু | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, February 17, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

কাঞ্চিপুরগী ‘কেঠলিক স্কুল’দা কম্মিশনননা শংত্রিক শংনা য়েংলে পীক্লিবা মহৈরোয় ২দা ‘কোর্পোরেল পনিশমেন্ট’ পীখিব্রা থিজিল্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) :

থা অসিগী ৬তা কাঞ্চিপুরদা লৈবা কেঠলিক স্কুলদা ক্লাস টু/বি তন্নিবা পীক্লিবা নুপামচা মহৈরোয় অনীবু স্কুল অৱর লোইরবা মতুংদা ক্লাস রুমদা থোঙ লোনশিল্লগা অরানবা মওংদা থমখি হায়বগী মতাংদা অঙাংশিং অসিগী পেরেন্টস/গার্দিয়নশিংনা ফাইল তৌরকপা অইবা কমপ্লেন্ট মণিপুর কম্মিশন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম সী পি সী আর) না ফংলে হায়বগা লোয়ননা কম্মিশন অসিগী মায়কৈদগী চেয়রপর্সন কৈশাম প্রদিপকুমারনা খূৎয়েক পীদুনা থোরকপা ওর্দর অমনা ফোঙদোরক্লি।

কম্মিশনগী ওর্দর অসিনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না ফাইল তৌরক্লিবা ৱাকৎশিং অসিনা করিগুম্বা চুল্লম্লবা অমদি রাইটস ওফ চিলদ্রেন টু ফ্রী এন্দ কম্পলসরি এদ্যুকেশন এক্ট-২০০৯গী সেক্সন ১৭কী মখাদা মহৈরোয়শিংদা কোর্পোরেল পনিশমেন্ট অমসুং মেন্টেল হরাসমেন্ট পীবা য়ারোই হায়বগী মায়োক্তা অথিংবশিং অসি থুগায়বগী প্রাইমা ফেসি লৈব্রা অমসুং অঙাংশিংদা সাইকোলোজিকেল ত্রাওমা মায়োক্লহনবগী লোনা য়াদবা মওংদা কনফাইনমেন্ট তৌব্রা হায়বগী ৱাফম থোরক্লে। অদুগা কম্মিশনগী চেয়রপর্সননা খূৎয়েক পীবা ওর্দর অসিদা নাওরেম সুস্মা কৌবী এসিষ্টেন্ট টিচর অমা থা ৩গী ওইনা সস্পেন্দ তৌরে হায়বগী রিপোর্ট ফংলে। অদুম ওইনমক কম্মিশনদা ফাইল তৌরকপা কমপ্লেন্ট অসিদদি ওজা অমদগী হেন্না ইনভোল্ভমেন্ট তৌই হায়বনা ফুল একাউন্টেবিলিটি খঙদোকপা মথৌ তারি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা থৌদোক থোকখিবা নুমিৎতুদা কম্মিশনননা থৌদোক থোকফমদা ইন্সপেক্সন চথখি অমসুং ইন্সটিট্যুশনেল, ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

মণিপুর লৈঙাক্না হোম মিনিষ্ট্রিদা হায়জখিবা ৱাফম থবক্তা ওন্থোরক্ত্রে হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎলক্লে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) :

ঙসিদগীনা চহী ৭ লোমগী মমাঙ ওক্টোবর ১৯, ২০১৯দা মণিপুর লৈঙাক্কী সেক্রেটরিএট : হোম দিপার্টমেন্টকী মতম অদুগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি (হোম) না গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সকী জোইন্ট সেক্রেটরি (নোর্থ ইষ্ট) তা মণিপুরদা দিপ্লোই তৌবা হোম গার্দ মেম্বরশিংগী মশীং অসি এপ্রুভ ষ্ট্রেঙথ ৬৭০দগী এস আর ঈ স্কিমগী মখাদা ২০০০দা হেনগৎহনবীনবা অইবা চেরোল পীদুনা হায়জখ্রবসু হৌজিক ফাওবদা মিনিষ্ট্রি অসিগী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা থবকশিং অমত্তা লৌখৎলক্ত্রে হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎলকখ্রে।

ৱাকৎ অসি মণিপুরগী হোম গার্দ ভোলন্টিয়রশিংগী য়াইফনবা থবক থৌরমশিং লেপ্তুনা পাঙথোরক্লিবা মণিপুর হোম গার্দস এমপ্লোয়ীজ ৱেলফেয়র এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট ৱাই মঙ্গিনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি।

পিটিশন অসিনা রেস্পোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লিবনা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদা

মণিপুরগী হোম গার্দশিংগী ৱাথোক

হায় কোর্টনা রেস্পোন্দেন্ট অহুমদা নোটিস ইস্যু তৌখ্রে, মখা তাবা ৱায়েল এপ্রিল ১৫, ২০২৬তা চথনবা লেপখ্রে

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী সেক্রেটরি, মণিপুর লৈঙাক্কী মহুৎ শিনবা চীফ সেক্রেটরি অমসুং কম্মিস্নর (হোম) নি।

পিটিস্নরনা কোর্টতা ৱাকৎলিবনা ওক্টোবর ১৯, ২০১৯দা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হোম দিপার্টমেন্টনা মিনিষ্ট্রি অসিদা অইবা চেরোল (লেটর নম্বর ৫/৭/২০০৪-ঐচ (ঐচ জি) পার্ট/বি) থাদুনা মণিপুরদা দিপ্লোই তৌরিবা হোম গার্দ ভোলন্টিয়রশিংগী এপ্রুভ ষ্ট্রেঙথ ৬৭০ খক্তমক ওইরিবসি এপ্রিল ১, ২০১৫দগী লাকখৎলগা এপ্রুভ ষ্ট্রেঙথ ২০০০ ওইহনবীয়ু অমসুং ষ্টেট অসিদা দিপ্লোই তৌবা হোম গার্দশিংগী এক্সপেন্দিচর রিএম্বর্স তৌবীয়ু হায়জখিবনি হায়রি।

মণিপুর লৈঙাক্কী চেরোল অসি ষ্টেট অসিগী পুলিস ফোর্সপু মতেং পাংদুনা সিক্যুরিটিগা মরী লৈনবা দ্যুটিশিং পাঙথোরক্লিবা হোম গার্দ ভোলন্টিয়রশিংগী মশীং হেনগৎহন্নবা হায়জখিবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী চেরোল অসিগী মতুংইন্না থবক অমত্তা লৌখৎলক্ত্রে। ফীভম অসিদগী এসোসিএশন অসিনা এপ্রিল ২৪, ২০২৪দা রিমাইন্দর লেটর অমা পীখিবগা লোয়ননা মসিগী মমাঙ এপ্রিল ২৬, ২০২৩, ওগষ্ট ১,২০২৩দসু অইবা চেরোলশিং পীখিবগা লোয়ননা ওক্টোবর ১৬,২০২৩দনা আর টি আইগী খূথাংদা এপ্লিকেশন অমসু ফাইল তৌদুনা মণিপুর লৈঙাক্না হোম গার্দ ভোলন্টিয়রশিংগী মশীং ৬৭০দগী এপ্রুভ ষ্ট্রেঙথ ২০০০ ওইহনবীনবা হায়জখিবা অদু থবক্তা ওন্থোকপীয়ু হায়জখিবনি হায়রি।

ৱাফম অসি মিনিষ্ট্রি অসিনা থোকখিবা ‘রিভাইস গাইদলাইন্স ফোর রিএম্বর্সমেন্ট ওফ এস আর ঈ ফোর ইন্সর্জেন্সি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

ক্লাস ত্বেলভকী এগজামিনেশনদা শরুক য়াগদবা মহৈরোয়শিংদা এম পি বিমোলনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬ (ঐচএনএস):

কোসেমনা লৌদুনা হয়েংদগী হৌনা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্লাস ত্বেলভকী হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেশন ২০২৬তা শরুক য়াগদবা মহৈরোয়শিংদা কোংগ্রেস এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা য়াইফা পাউজেল পীরক্লি। মহাক্না হায়, এগজামিনেশন অসিগীদমক মহৈরোয়শিংনা শেম শারক্লিবা অদু মতিক চাবা নৎত্রগা চাদবগী ৱাফম থিদনা চাংদম্নবা অসিদা অকি-অখং য়াওদনা শরুক য়াগদবনি। মসিনা মহৈরোয়শিংবু খ্বাইদগী ফবা মীওই ওইহল্লক্কদবনি হায়রি।

কুমজা ২০২৯ ফাওবদা জম্মু এন্দ কাশ্মীর ১দি নোর্থ-ইষ্টতগী টেররিজম ১সুং ইন্সর্জেন্সি মপূং ফানা মূথৎকনি : অমিট শাহ

ন্যু দেল্লী, ফেব্রুৱারী ১৬ (এজেন্সী) : য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা লাক্লিবা কুমজা ২০২৯ ফাওবগী মনুংদা জম্মু এন্দ কাশ্মীর অমদি নোর্থ-ইষ্টতগী টেররিজম অমসুং ইন্সর্জেন্সি মপূং ফানা মূথৎকনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি দেল্লীদা পাঙথোকপা দেল্লী পুলিসকী ৭৯শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীর অমসুং নোর্থ-ইষ্টকী ৱাফম অসি খক্তা নত্তনা মথং থাগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসি মাওইষ্টনা চথুরকপা ভাইওলেন্সশিংদগী ফ্রী ওইরবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা পান্দম থল্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমগা মরী লৈননা মহাক্না লৈবাক অসিগী নেশনল কেপিটেল অসিগীদমক ‘সেফ সিটি প্রোজেক্ট’ য়াওনা কেপিটেল অসিগীদমক তোঙান-তোঙানবা অনৌবা থৌরাং ১০ লৌখৎলগনি হায়নসু লাউথোকখি।

প্রোজেক্ট অসিগী মনুং চন্না দেল্লী পুলিসকী স্পেশল সেলগী ইন্টিগ্রেটেদ হেদ ক্বার্টরশিংনা কাউন্টর-টেরর ওপরেশনশিংদা মরু ওইবা থৌদাং লৌগনি অদুগা এ আইনা মথৌ পাঙথোকহনবা কেমেরা ২,১০০ রোমসু মথৌ পাঙথোকহল্লগনি হায়খি।

থবকশিং অসি সেফ সিটি প্রোজেক্টকী মখাদা কেমেরা লিশীং ১০গী হেন্না চাউবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

কুকি-জো কাউন্সিলগী প্রসিদেন্টগী য়ূম মনাক্তা বোম পোকখায়হল্লম্লে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬ (ঐচএনএস):

ঙরাং নুমিদাং পুং ৮ লোম তারকপদা চুড়াচান্দপুরদা লৈবা কুকি-জো কাউন্সিল (কে জেদ সী) গী প্রসিদেন্ট হেলিয়াম্থাং থাংলেট বাইফৈগী গেট মনাক্তা শকখঙদবশিংনা বোম অমা লংশিল্লক্তুনা পোকখায়হল্লম্লে। অদুম ওইনমক নুমিদাংগী মতম ওইবনা মীওই অমত্তা অশোক অপন ...মখা লমায় ৩ কলম ১

য়াশিন্নবা য়ারোই

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬ (ঐচএনএস):

লুহোংবা নুমিৎতা বর লাক্তবদগী কৈন্যানা বরগী ময়ূমদা চঙলুবদা বরগী মমা-মপানা পুলিস তাক্তুনা কৈন্যা ফাহনবগী থৌওং অসি হীরম অমত্তদা য়াশিন্নবা য়ারোই হায়না থৌবাল নিঙোম্বম অপূনবা মৈরা পায়বী লূপ, ক্লব ৪ অমদি উমং লাই থৌগল লূপ্না ফোঙদোকখ্রে।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

ফাইল থিবা খঙদ্রে হায়রকপদগী কম্মিশনননা লুপা লিশীং ৫গী শেনফম ফাইন ওইনা পীননবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) :

আর টি আই এক্টিভিষ্ট অমসু ওইরিবা এদভোকেট ৱাহেংবম জয়কুমারনা কুমজা ২০১৮দা পাঙথোকখিবা ঐচ এস এল সী এগজামিনেশনগী ইনক্বারিগী মতাংদা আর টি আইগী খূথাংদা হংখিবা ৱাহংশিংগী মরী লৈনবা পাউখুমদা লৈঙাক্কী স্কুল এদ্যুকেশন লোয়শঙগী এস পি আই ও/জোইন্ট সেক্রেটরি/অন্দর সেক্রেটরিনা ‘অকক্নবা ফাইল অদু থিবা খঙদ্রে’ হায়না পাউখুম পীরকপদগী মণিপুর ইনফোর্মেশন কম্মিশনননা থা অসিগী ১০দা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না লোয়শঙ অসিগী এস পি আই ওদা আর টি আই এক্ট, ২০০৫গী সেক্সন ২০(১) গী মখাদা লুপা লিশীং ৫গী শেনফম চৈরাক ওইনা পীননবা খঙহনখ্রে হায়রি।

মেট্টর অসি কম্মিশনননা থা অসিগী ২দা লৌখৎলকপদা আর টি আই এপ্লিকান্টসু ওইরিবা এদভোকেট দল্লিয়ু জয়কুমারনা হকথেংননা লেপখি। মহাক্কী মায়কৈদগী কম্মিশনননা মাঙজৌননা দিরেক্সনশিং পীরবসু ফাইল থিবা খঙদ্রে হায়রিবসি অতম্নানা পীফম থোকপা ইনফোর্মেশন পীরক্তবনি। মরম অসিনা আর টি আই এক্ট, ২০০৫গী সেক্সন ২০গী মখাদা চৈরাক পীফম থোকই হায়খি।

ৱাফম অসি খক্তা নত্তনা বোম্বে হায় কোর্টনা রিট পিটিশন (সিভিল) নম্বর ৬৯৬১ ওফ ২০১২ (বিবেক বিষ্ণুপন্থ কলকরনি ভর্সেস ষ্টেট ওফ মহারাষ্ট্র এন্দ অদরস) কী মতুংইন্না পীখিবা জজমেন্টদদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী য়াম্না তোয়না রেকোর্দশিং মাঙখ্রে হায়বা খক্তা নত্তনা মখোয়গী ওফিসরশিং অমসুং মখোয়গী থবক থৌওংশিংবু কনখৎনবগীদক আর টি আইবু লূম্না লৌদবগী থৌওংশিং চথে। মরম অসিনা ফাইল মাঙহনবগীদমক এফ আই আর ফাওবা রেজিষ্ট্রেশন তৌদুনা লৌখৎনবা পাউতাক পীখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক এস পি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

ওক্রম ইবোবীনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্টগী চার্জ লৌখ্রে

ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকখিদে, ফোটো নমগে হায়বা ফাওবা য়াখিদ্রবসু কোংগ্রেস ভবনদা মী চোন্না তিনখি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) :

ফেব্রুৱারী ১৩,২০২৫দগী ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিবু সস্পেন্দেদ এনিমেশনদা থল্লগা থেঙ্খাং অনীরক্তা থা ৬/৬ শাংদোক্তুনা চৎনহল্লকখিবা প্রসিদেন্টস রুল লৈঙাকপু গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা থা অসিগী ৪দা লৌথোক্লগা নুমিৎতুদা বি জে পিনা লুচিংবা মণিপুরগী অনৌবা লৈঙাক অমা অমুক হন্না শেম্লকপগা পন্থদনা মথংগী নুমিৎতা পাঙথোকখিবা এসেমব্লি অসিগী ৭শুবা মীফম নুমিৎমক্তদা এ আই সী সীগী মায়কৈদগী জেনরেল সেক্রেটরি কে সী ভেনুগোপাল এম পিনা থোরকপা চেরোল অমদা হান্নদগী কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী লিদর ওইরকখিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীবু মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লকখ্রবসু ঙরাং ফাওবদা মহাক্না

ফম অসিগী থবক থৌরমশিং পুনবগীদমক চার্জ লৌদনা লৈরকখিবদু ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

হায় কোর্টনা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশনগী প্রসিদেন্টগী থবক-থৌরম খরা অথিংবা থমখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) :

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা শীংজমৈ চীংঙামথক্তগী ঙাংবম রোবার্ট (৫০) অপোকপা লৈখিদ্রবা এন জি মেঘচন্দ্রনা পিটিস্নর ওইদুনা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশনগী লুৱাংশঙবমগী লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা লৈবা ওফিসকী সেক্রেটরি, জেনরেল মেনেজর, রেজিষ্ট্রার ওফ সোসাইটিজ, মণিপুর, সিটিজেন্স দিভেলপমেন্ট কম্মিটি ক্রিকেট, এসোসিএশন অসিগী ইলেক্সনগী ইলেক্টোরেল ওফিসর ওইখিবা কে রাধাকুমার (আই এ এস রিটাইয়র্দ) অমসুং সিটিজেন দিভেলপমেন্ট কম্মিটি ক্রিকেটকী মীহুৎ নোংথোম্বম জিকো মৈতৈ অপোকপা এন বিরেন (লুৱাংশঙবম) বু রেস্পোন্দেন্টশিং ওইহল্লগা ফাইল তৌরকখিবা দল্লিয়ু পি (সী) নম্বর ১২০ ওফ ২০২৬কী ৱায়েলদা এসোসিএশন অসিগী হৌজিক প্রসিদেন্ট ওইরিবা মীওই অসিগী থবক থৌরম খরদা অথিংবা থমখ্রে।

পিটিস্নরনা কোর্টতা ৱাকৎলক্লিবনা এসোসিএশন অসিগী থৌপুবশিং খন্নবগীদমক পাঙথোকখিবা মীখলগী জন্যুৱারী ২১, ২০২৬তা লাউথোকখিবা রিজল্ট অদু ইল্লিগেল ওইবা চৎনবা য়ারোইদবা রিজল্টনি হায়রকখিবনি।

পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লে হায়রিবা এন জিকো অসি মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশনগী রুলস ৩ (এ), ৩ (দি) অমসুং ৪(দি) গী মতুংইন্না মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশনগী ইলেক্সন (২০২৫-২০২৬) দা ভোট থাদবগী অমসুং মীখলদা শরুক য়াবগী ইলিজিবল ওইদ্রিবনি। মহাক এসোসিএশন অসিনা মসিগী ইলেক্সন পাঙথোক্নবগীদমক দিসেম্বর ২৬,২০২৫দা থোকপা নোটিফিকেশন ফাওবদা এসোসিএশন অসিগী এসোসিএট মেম্বর ওইরিবা সিটিজেন দিভেলপমেন্ট ক্রিকেট কম্মিটিগী মীহুৎনি। হায়রিবা অসি মথংগী কুমজা ২০২৭ ফাওবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

চীফ মিনিষ্টরনা ক্লাস ত্বেলভকী মহৈরোয়শিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) : কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেশন, মণিপুর (কোসেম) না লৌদুনা হয়েংদগী পাঙথোক্কদৌরিবা ক্লাস ত্বেলভকী হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেশন ২০২৬তা শরুক য়াগদৌরিবা মহৈরোয়শিংদা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা ...মখা লমায় ৩ কলম...

অমোৎ-অকাই মৈ থাবদা বোম য়াওরমদুনা পোকখায়রকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) :

ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তারকপদা হৈঙাং পি এসনা কোনবা লুৱাংশঙবম মনীং লৈকায়দা লৈবা লৌশিংগাম পাকপা (৬৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা এল গৌরিয়াইমগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

য়ু জি ৪ ফারে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) : পুলিস কন্ত্রোল রুমনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা কে সী পি-অপূনবগী ফুল্লৌ মমাঙ লৈকায়দগী সনসম রোজি এলিজয় জি (২৬) কৌবী নুপী কাদর অমা তাওথোং খুনৌগী খুদৈবন্দ লম্পাক ...মখা লমায় ৩ কলম ২

দ্রগ ১সুং নোংমৈগা কোন্ননা ফারে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) : পুলিস কন্ত্রোল রুমনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা ঙরাং সিক্যুরিটি ফোর্সনা থৌবাল পি এসকী মনুং চনবা শঙ্গাইয়ুম্ফম পার্ট টু চেরাপুরদগী এম দি জয়দ খান (৪২) কৌবা মীওই অমা হিরোইন নম্বর ফোর গ্রাম ৩৯৭, মৱূ ৬ য়াওবা সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা অমসুং টু হ্বিলর অমগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

এক্সিদেন্টদা লৈখিদ্রবী নুপী ১গী হকচাং ইমুংদা শিন্নখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ১৪গী নুমিদাং পুং ৭ লোম তারকপদা কুম্বী পি এসনা কোল্লিবা ইথাই খুনৌদা লুহোংবা য়াওনবগীদমক মখোঙনা চৎলিঙৈদা তুংলোমদগী ওইল টেঙ্করনা তকপদগী লায়কন্নবদা কনবা ঙমদনা লৈখিদ্রবী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

হৌজিক্তি অনৌবা লৈঙাকসু শেম্লক্লবনিনা ঈরাংসু খরা নেমথরক্লবনিনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌহল্লক্লিবা ঐখোয়বু অথুবা মতমদা ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিলহনবীরো

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
হকথেংনবা পাউদম
কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মোটবুং মীতৈ লৈকায়দগী খুঞ্জা

(হান্নগী মখা...)

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মোটবুং মীতৈ লৈকায়দগী লাঞ্জেল্লক্তুনা হৌজিক চহী ৩ শুরক্কদৌরবা ফাওবদা লম্বোইখোংনাংখোঙদা লৈবা মণিপুর লৈঙাক্কী ত্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টরদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবী কোন্সম ওংবী রঞ্জনানা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, প্রসিদেন্টস রুল লৈরম্লবসু রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌহল্লক্লিবা আই দি পি ঐখোয়বু ইশাগী য়ূম-য়ূমদা হঞ্জিলহল্লম্বা ঙমখিদ্রে। মরম অসিনা অথুবা মতমদা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা ঐখোয়বু ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিলহন্নবা হোংনবীয়ু। হৌজিক ঐখোয়না রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লিবসি শিবা য়াদবগী লৈবনি। ঐখোয় য়াম্না ৱারে। ঐগী ইচানুপী অনী, ইচানুপা অনীনি। ইচানুপা অহলগী ইমৌনুপী অদুদি ঐখোয়না লাঞ্জেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লবা মতুংদা পুশিল্লকপনিনা লুহোংবসু রিলিফ কেম্পতা অদুমক পাঙথোকখ্রে। অদুবু রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ফীভম অসিদি নুংঙাইবা নত্তে। মফম অসিদদি শুফম নোম্ফমসু লৈতে।

মোটবুং মীতৈ লৈকায়দা লৈজরিঙৈ মতমদদি ঐগী ইপুরোইবসু অফং-অফংবা থবক শুদুনা শেল তাল্লকখিবনি। অদুবু রিলিফ কেম্পতা লৈরকপদগীদি শেল তানফম, শুফম নোম্ফম খঙদ্রবনিনা থবক শুদ্রে। য়ূমদা নুংঙাইনা লৈরক্লগা রিলিফ কেম্পতা লাকপনিনা শুফম নোম্ফমসু ওন্ন-তৈনবা ফীভমদা লৈরক্লে। তশেংনমক হৌজিক ঐখোয় তৌফম খঙদবা হায়বদু ওইরে।

ঐহাকসু তৌফম খঙদ্রবসু তঙাইফদনা শু নোমদবা য়াদবদগী লৈরুমগী লেংয়ান ফি শাবা অমসুং লৈরুম ফি শাবগী থবক হৌরক্লে। অদুবু হায়রিবা ফিশিং অসি য়াম্না শাদুনা পুথোকপদি ঙমদে। অদুগা ঐ ইশামকসু ফি শাবদা য়াম্না হৈথোই-শিংথোইবসু নত্তে। হান্নদি ফনেক শাবা তল্লম্মী। অদুবু হৈতবনিনা ফনেক ফজ দবদগী য়োনবদা শিংতে। ফনেক অমা শাবদা নুমিৎ ২/৩নি চঙই। য়োনবা মতমদনা অমদা লুপা ৪৫০দা য়োল্লি। নুমিৎ হুম্নি চঙনা শাবদা শেন্দোং ওইনা লুপা ১৫০ খক্তমক ফংই। শেন্দোং অসি লংগী কায়থোকখ্রবা মতুংদা ফংবনি। অদুবু শেন্দোং য়াম্না ফংদে হায়দুনা শুদবদি য়াদে। (মথং-মথং)

মীতোপ খন্দ্রোক্ত্রিঙৈদা ভোট খোম্লিবশিং অথুবা মতমদা লেপকদবনি : জিটেন্দ্র নিঙোম্বা

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) : মণিপুরদা সেন্সস নৎত্রগা দিলিমিটেশন পাঙথোক্কে হায়রবসু ষ্টেট অসিগী য়েলহৌমীশিং খক্তা নত্তনা ওইফম থোকপা মীওইশিংগী মশীং চপ চানা খঙদোকপগা লোয়ননা মীতোপ মীয়ানচাশিং তাম্থোকখ্রবা মতুংদা হায়রিবা থবকশিং অসি পাঙথোকপনা অচুম্বা ওইগনি হায়দুনা খোঙজং চঙশিল্লক্লিবা

কেম্প্যেন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেশনগী কনভিনর জিটেন্দ্র নিঙোম্বনা মণিপুরদা মীতোপ্পা লান দারক্লবা ফাওবদা মখোয়বু খন্দোকপগী থবক চথদনা পোলিটিক্স তৌরক্তুনা ভোট খোম্লিবা মীওইশিংনা থৌওং অসি অথুবা মতমদা লেপকদবনি হায়না অকনবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসিগী মায়োক্তা কনাগুম্বশিংনা ঙক কন্দুনা মখা তানা ভোট খোম্লক্লবদি মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা অকনবা ঈহৌ হৌনবা শেম শাবা লোইরে হায়নসু ফোঙদেকাখি।

ৱাফম অসি কেম্প্যেন অসিনা মখা তানা চথুরকপা খন্ন-নৈনবগী মতুংইন্না ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

সোরেপানা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬ :

সোশলিষ্ট রেভল্যুস্নরি পার্টি (সোরেপা), কংলৈপাককী সেক্রেটরি (পব্লিসিটি এন্দ ওর্গনাইজেশন) এম সী য়াইফবীগী চেরোল অমদা থা অসিগী ১৩দা সোরেপাগী পিপলস রেভল্যুস্নরি ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

কে সী পি-পি দল্লিয়ু জিনা ৱাফম খরা থল্লক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬ : কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি - পি দল্লিয়ু জি এম সী য়ুনিফিকেশনগী পি আর ও চীঙ্খোঙানবগী চেরোল অমদা মে ৩, ২০২৩দা থোকখিবা চিন-কুকি-জোগী জালেঙম প্রোজেক্টনা মরম ওইরগা ঙসি ঐখোয়গী ইফুরুপশিং অসিগী শেন্নীৎলোন অসি ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫